# নরেন্দ্র মোদিনা ঝরখন্দদগী ঙসি লৌমী অমসুং শিন্মীশিংগী পেন্সিন স্কিমশিং হৌদোক্লগনি



***রাঞ্চি, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং শগোলশেল নুমিৎতা ঝরখন্দগী কোনূং রাঞ্চিদগী প্রধান মন্ত্রি কিশান মন্ধন যোজনা লৈবাক মীয়ামদা কখোল্লগনি। মহাক্না প্রধান মন্ত্রি লঘু ব্যাপারিক মন্ধন যোজনা অমসুং শ্বরোজগার পেন্সিন স্কিমসু হৌদোক্কনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঝরখন্দগী এসেমব্লিগী অনৌবা বিল্ডিং অমা অমসুং শাহিবগঞ্জদা মলটি–মোদেল টর্মিনেল অমগীসু উরেপ–উয়ুং তমগনি হায়না ঙরাং ঝরখন্দ চীফ মিনিষ্টর রঘুবর দাসনা হায়খি।

ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শাহিবগঞ্জদা গঙ্গা তুরেলগী মথক্তা মলটি–মোদেল টর্মিনেল অদু শাখিবনি। মদুদা চহীদা টোন ৩০গী কারগো ষ্টোরেজ কেপাসিটি অমা, জহাজ অনীগী ষ্টোকয়ার্দ অমসুং পার্কিং অমসুং বারথিং স্পেস অমা লৈগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঝরখন্দগী দিষ্ট্রিক্ট ২৪গী মনূংদগী দিষ্ট্রিক্ট ১৩দা স্কুল ৬৯সু লিংখৎকদৌরিবা লৈবাকসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা লিংখৎকদৌরিবা একলব্য মোদেল স্কুল ৪৬২গীসু ওনলাইনদা ফাউন্দেসন ষ্টোনশিং যুংগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি। মহাক্না ঝরখন্দ সেক্রেটরিয়েটকী অনৌবা বিল্ডিং অমগী ফাউন্দেসন ষ্টোনসু যুংগনি।

প্রধান মন্ত্রি কিশান মন্ধন যোজনাগী মখাদা পীগদৌরিবা থাগী পেন্সন অসি মশাগী চহী ১৮দগী ৪০ ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লৌমীশিংনা য়াওবা য়াই। মখোয়না মশাগী চহী ৬০ য়ৌরবা তুংদা থাদা লূপা ৩,০০০গী পেন্সন ফংগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর রঘুবর দাসনা হায়খি।

ঝরখন্দদা পূন্না ফার্মর ১১৬,১৮৩না স্কিম অসিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি লঘু ব্যাপারি মন্ধন যোজনা অমসুং শ্বরোজগার পেন্সন স্কিমশিংগী মখাদা মশাগী চহী ১৮দগী ৪০ ফাওবগী মরক্তা লৈবা বিনিফিসরিশিংনা মখোয়গী চহী ৬০ শুরবা তুংদা থাদা লূপা ৩,০০০ ফংগনি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা রাঞ্চিদগী আয়ুশমান ভারত হেল্‌থ স্কিম অদুসু হৌদোকখিবনি।

মসিদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী মথুরাদা ঙসি অয়ুক লৌমীশিংগীদমক গভর্ণমেন্ট স্কিম কয়ামুক্কী মনূংদা আশা চাওরবা নেসনেল এনিমেল দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন এ দি সি পি) অদু হৌদোকখ্রে।

২০২৪ ফাওবা চহী ৫গী মতম অমগীদমক লূপা ক্রোর ১২৬২৫কী সেন্টরদগী চাদা ১০০গী ফন্দিং পীবা এন এস দি সি পি অসিনা ফুট এন্দ মাউথ দিজিজগীদমক ষণ, ইরোই, য়াও, হামেং অমসুং ওক শিং য়াওনা লাইবষ্টোক মিল্লিয়ন ৫০০ হেনববু হিদাক কাপথোক্নবগী পান্দম থন্লি। প্রোগ্রাম অসিনা ব্রুসেলোসিস দিজিজ থেংননবা চহীদা ষণনাও অমোম মিল্লিয়ন ৩৬ ভেক্সিনেসন তৌনবগী পান্দম থন্লি।

প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মশামক হকথেংননা লৌমিশিং, ভেটেরিনরি ডোক্টরশিং অমসুং অরেমখাক প্লাষ্টিক খোন্বা মীওইশিংগা ৱারী–ৱাতাই শান্নখি। সিঙ্গল –য়ুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নবা মুথৎনবগী মহাক্কী ৱাশক অদুগা লোয়ননা অরেমখাকশিংদগী প্লাষ্টিকপু তোঙাননা খন্দোক্নবগী ৱেলফিয়ার স্কিম অমা মহাক্না হৌদোকপতা নত্তনা প্লাষ্টিক খন্দোকপা মীওইশিং অদুগা ৱারী–ৱাতাই শান্নখি। মখোয়গা লোয়ননা মহাক ফমিন্নদুনা প্লাষ্টিকনা শা–ষণগী চখাওদা চংখিদুনা থোকহল্লিবা অমাঙবশিং অদুগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

# টেরর গ্রুপশিংদা নৌনা রিক্র্যুট তৌবগী পাউ লৈত্রে ঃ দি জি পি



***শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) দিলবগ সিংহনা ঙসি মফমসিগী নহারোল অমত্তা টেরর গ্রুপশিংদা নৌনা রিক্র্যুট তৌবগী পাউ অমত্তা লৈত্রে অমসুং কাশ্মির তম্পাক্তা মীয়ামগী পূন্সি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লে হায়খ্রে।

খা কাশ্মিরদা উহৈ–ৱাহৈ লল্লেনবশিংনা উহৈশিং খোমজিনবদা টেরোরিষ্টশিংনা কিহনবগী থৌদোকশিং খরা লৈ অদুবু ফিভম অদুগী মতাংদা পুলিসনা খঙলে অমসুং মখোয়বু কনাগুম্বা অমত্তনা খুদোঙচাদবা থোকহন্দনবা হোৎনবা অদুনা ঐখোয়গী থবক্নি হায়নসু দি জি পি অসিনা হায়খি।

খূৎলাই পাইবা মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা লমদমসিগী মীওইশিং নৌনা রিক্র্যুটমেন্ট তৌবগী পাউ অমত্তা লৈত্রে। হৌখিবা মতমদা নহা খরবু লান্না লমজিংখি। করিগুম্বা অশাওবা অমদগীসু লান্না চৎখিবা য়াওই। হৌজিক মখোয় কয়ামরুমবু ঐখোয়না অমুক হন্না পুশিল্লকপা ঙম্লে হায়না শ্রীনগরদা পাউমীশিংদা সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অসিনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, ঙমখৈ ৱাংমদগী চংশিল্লকপগী পাউ খরা লৈ। গুলমার্গ সেক্টরদা আর্মিনা পাকিষ্টাননি টেরোরিষ্ট ২ ফাখিবা অদু ঐখোয়না হন্দক্তা উখ্রে। অগষ্ট ২১দা গুলমার্গ সেক্টরদা আর্মিনা ফাখিবা লাস্কর–ই–তাইবা (এল ই টি)গী রাৱালপিন্দিদগী মোহমদ খালিল অমসুং মোহমদ নাজিম কৌবা টেরোরিষ্ট অনী অসি উৎপা ভিদিও ক্লিপশিং উৎতুনা পাকিষ্টাননা টেরোরিষ্টকী থবক চত্থনবা অমসুং ঈং–তপ্পা থুগাইনবা ইফিলট্রেটরশিং কাশ্মিরদা থাজিন্নবা হোৎনখি হায়না ইন্দিয়ান আর্মিনা সেপ্টেম্বর ৪দা হায়খি।

তম্পাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা, মীয়ামগী পূন্সি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লি অমসুং স্কুলশিং অমসুং ওফিসশিং হাংদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ান্না মখোয়গী মহৌশাগী থবক–ইন্‌খাংশিং চৎপা হৌনরক্লে হায়না পুলিস চীফ অসিনা হায়খি।

# পি কে মিশ্রা, পি কে সিনহবু মথংশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী, প্রিন্সিপাল এদভাইজর হাপখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
প্রমোদ কুমার মিশ্রা অমসুং পি কে সিনহবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অনৌবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমসুং প্রিন্সিপাল এদভাইজর হাপখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওর্দর অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



Pramod Kumar Mishra



P K Sinha

পি কে মিশ্রানা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌনা মাগী অনৌবা থবক অসি পায়রগনি। মহাক হান্না প্রাইম মিনিষ্টরগী এদিসনেল প্রন্সিপাল সেক্রেটরি ওইরম্বনি অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর অমগী রেঙ্ক পায়রম্মী। হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইনা ন্রিপেন্দ্র মিশ্রানা ফম থাদকেখিবদগী নরেন্দ্র মোদিনা মহাকপু চয়োল অনী মখা চত্থনবা খঙহনখি।

ইংলেন্দগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সসসেক্স তগী ইকোনোমিক্স অমসুং দিভলপমেন্ট ষ্টদিদা পি ঐস দি ফংবা অমা ওইরিবা পি কে মিশ্রাবু মে থাদা দিজাষ্টার মেনেজমেন্ট অমসুং দিজাষ্টার রিস্ক রিদক্সনগীদমক লেমজনিঙাই ওইরবা য়ুনাইটেদ নেসন্স এৱার্দ পীরকখি। অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেন্নবগী মঙলান অদুগীদমক থবক তৌনবা তাঞ্জা অমা মঙোন্দা পীবীবগীদমক মিষ্টর মিশ্রনা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎখি।

পি কে মিশ্রাবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অনৌবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী হাপখিবসিগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসতা ওফিসার ওন স্পিসিয়েল দ্যুটি (ও এস দি) ওইনা থবক তৌরকখিবা ১৯৭৭ বেটচকী য়ু পি কেদর ওফিসার পি কে সিনহবুসু প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রন্সিপাল এদভাইজর ওইনা হাপখ্রে। মহাক হান্নগী কেবিনেট সেক্রেটরিনি।

হৌখিবা থাদা পি এম ওদা মহাকপু ও এস দি ওইনা হাপখিবনি। পি এম ওদা হৌজিক ও এস দি ওইনা থবক তৌরিবা পি কে সিনহবু সেপ্টেম্বর ১১, ২০১৯দগী হৌনা প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রন্সিপাল এদভাইজর ওইনা হাপ্পা অদু এপোইন্টমেন্টস কমিটি ওফ দা কেবিন্টে (এ সি সি)না অয়াবা পীখ্রে।

# মহারাষ্ট্রগী মহাবলেশ্বরদা এম এম ৮,০০০ নোং চুখি

***শাটারা, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
নোংচুপ থংবা ইন্দিয়াদা, মীয়ান্না খ্বাইদগী পান্নবা হিল ষ্টেসন মহাবলেশ্বরনা হন্দক্কী নোংজুথাদা মালেমগী খ্বাইদগী নোং চুবা মফম ওইবগী অখন্নবা মিংচৎ ফংবা অদুগী মথক্তা অতোপ্পা রেকোর্দ অমগসু ফংলে হায়না মকোক থোংবা ওফিসিয়েলনা ফোঙদোকখ্রে।

চিংগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নোং চুবগী চাং অদু ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়াল্লবা চাংদা এম এম ৮,০০০গী মার্ক হেন্দোকখ্রে হায়না দিপুটি দাইরেক্টর জেনরেল ওফ মেটিওরোলোজি কে এস হোসালিকরনা ফোঙদোকখ্রে।

হিল ষ্টেসন অসিগীদমক মোনসুন সিজনগী নোর্মেল অসি এম এম ৫৫৩০.১ নি । চহী অসিগী নোং মরাঙ কায়না চুখিবা মোনসুন অদুদা সুপ্নগী পূং ২৪গী মনূংদা নোং চুবগী চাং এম এম ৩০০ হেন্না চুখিবা কয়ারক হন্না থোকখি হায়না ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকলে দিপার্টমেন্ট অদুগী ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

প্লানেট অসিগী মথক্তা খ্বাইদগী হেন্না নোং চুবা মফম ওইবগীদমক মতম অমদা মমিং চৎলম্বা অৱাং–নোংপোক ইন্দিয়াগী মেঘলয়াদা লৈবা চেরাপুঞ্জিনা মহাক্কী মিংচৎ অদু চহীদা এম এম ১১,৮৭০ হেনবগী নোং চুবা থংনবা মৌসিনরামগী খূৎতা মাঙখি। চেরাপুঞ্জিনা চহীদা এম এম ১১,৭৭৭গী নোং চুদুনা হান্নগী চাংদগী হন্থরকখি।

মহারাষ্ট্রগী মহাবলেশ্বর হায়রিবা চীংগী লমদম অসি সমুদ্রা ঈমাইদগী ফুট ৪৪৪০ (মিটর ১৩৫৩)গী মথক্তা লৈবা নোং ফজনা চুবা মফন্নি। মফম অসিগী ৱের্ষ্টন ঘাতকী নিংথিজরবা চীংজাও নাপোমশিংদা থাবা ষ্ট্রোবেরিনা লৈবাক অসিগী ষ্ট্রোবেরি পোথোক্কী চাদা ৮৫ ওইদুনা মসিবু ষ্ট্রোবেরি কন্ট্রি হায়নসু শকখঙনৈ।

হিল ষ্টেসন অসিদগী ইন্দিয়াগী ওইনা য়ামদ্রবদা অচৌবা তুরেল ৫গী হৌরকফমসু ওইরি। তুরেলশিং অসিগী মনূংদা ইন্দিয়াগী



৪শুবা খ্বাইদগী চাওবা কৃষ্ণ তুরেল য়াওরি। কৃষ্ণ তুরেলনা মহারাষ্ট্র, করনাতকা, টেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ ফাওদুনা কিলোমিট ১৪০০ শাংনা ফাওদুনা চেল্লক্লবা তুংদা বে ওফ বেঙ্গলদা তাখি।

অতৈ মরুওইবা তুরেলশিং অদুদি কোয়না, বেন্না, শাবিত্রি অমসুং গায়ত্রিনি।

মহাবলেশ্বর অমসুং ফুট ৪২৪২গী অৱাংবদা লৈবা থংনবা পঞ্চগানি অসি মোনসুনশিংগী মতমদা টুরিষ্টশিংগী পান্নবা মফম অমনি। অদুবু চহী অসিদা অকনবা মওংদা লেপ্তুনা নোং চুত্থরকখিবনা মসিগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা শোকহনখি।

মফম অসিদগী গাড়ীনা চৎপদা পূং ১গী মতম ফাবাত্তনা চংবা মালেম ফাওরবা কাস প্লেটু লৈ। হায়রিবা মমিং চৎলবা প্লেটু অসি য়ুনেস্কো ৱার্ল্ড নেচরেল হেরিটেজ সাইট (২০১২) ওইনা শক খঙখ্রে।

চহী অমগী আগষ্ট অমসুং ওক্টোবরগী মরক্তা মালেমগী মফম পূন্নমক্তগী লৈ শিংগী তম্পাক (ভেলি ওফ ফ্লাৱারস) হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা লম কোয়বশিং হুপচিন্নরক্লি।

# ইন্দিয়ানা মকোক থোংবা য়ু এনগী মফমদা অফগানিষ্টান ঙমখৈ ৱাংমদগী চত্থরকপা টেররগী ৱাফম পুথোকখ্রে

***য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
মমিংদি পন্দনা পাকিষ্টানদা হায়বা ওইনা টালিবান, হক্কানি নেটৱার্ক, লাস্কর–ই–টাইবা (এল ই টি) অমসুং জৈইশ–ই–মোহম্মেদ (জে ই এম)কুম্বা অফগানিষ্টানগী ঙমখৈ ৱাংমদগী টেরর গ্রুপশিংনা ফংলিবা শৌগৎপা অমসুং নুংঙাইবা লৈফমশিং অসি অফগানিষ্টানদা হেনগৎলক্লিবা টেরর থেংননবা শান্তি থন্নবা শোয়দনমক লোয়শিনগদবনি হায়না ইন্দিয়ানা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুখৎখ্রে।



টেররগী ফিভম অমদা শান্তি অমসুং অমুক হন্না নুংশি–চান্ননবা মাঙলোমদা চৎখৎপা ঙম্লোই হায়না য়ু এনদা ইন্দিয়াগী পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব শায়েদ অকবরুদ্দিননা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা হায়খি।

য়ু এন এসিষ্টেন্স মিসন ইন অফগানিষ্টান (য়ু এন এ এম এ)গী মতাংদা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ক্বার্টরলি দিবেটতা ৱা ঙাংদুনা ইন্দিয়াগী য়ু এন এম্বেসেদর অকবরুদ্দিনা হায়খি, হেনগৎলক্লিবা টেরোরিজমগী মায়োক্তা অফগান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থরিবা মখোয়গী লাম্বেংদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা থমখিবা ফিরেপশিং মপূং ফাহন্দুনা মখা তানা শৌগৎপগী মথৌ তাই।

টেরর গ্রুপশিংনা অফগানিষ্টানগী ঙমখৈ ৱাংমদগী ফংলিবা শৌগৎপা অমসুং লৈফমগী ৱাথোক অসি শোয়দনমক লোয়শিনগদবনি হায়না পাকিষ্টানগী মমিংদি পন্দনা মহাক্না সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অদুদা হায়খি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স এসিষ্টেন্স মিসন ইন অফগানিষ্টান নৎত্রগা য়ু এন এ এম এ চীফ টাদামিচি য়ামামোটোনা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিগী মীফম অদুদা য়ারিবমখৈ থুনা অফগানিষ্টান অমসুং টালিবানগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নবা হৌবা ফৈ হায়খি।

থোক্লিবা মুক্লবা অমসুং লান অসি অফগান মীয়ামগগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নবশিং খক্তনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি অমসুং হায়রিবা ৱারী শান্নবশিং অদু শোয়দনমক অফগান খুন্নাইগী অপূনবা শক্তম অসিগী মীহুৎ শুনা য়াওগদবনি হায়খি।

# পাকিষ্টানদা প্রেট্রোলদগী শঙ্গোমনা হেন্না তাঙলে, লিটরদা লূপা ১৪০ য়ৌখ্রে

***কারাচি, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
পাকিষ্টানগী মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না লৈবাক অসিদা মুহরম থৌরম পাংথোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী অচৌবা সিটি পূন্নমক্তা শঙ্গোমগী মমল লাক্সিনবগী ৱাংমদা লৈখ্রে।



কারাচি অমসুং শিন্ধা প্রোভিন্সতা লিটর অমদা শঙ্গোমগী মমল ১৪০ য়ৌখ্রে। নুংঙাইরিবদি, পাকিষ্টানদা প্রেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলশিং শঙ্গোমগী মমল অদুদগী হেন্না হোঙই। পেট্রোল লিটর অমদা লূপা ১১৩ অমসুং দিজিল লিটর অমদা লূপা ৯১দা য়োল্লি। মসি সুপ্নগী নুমিৎ নীনিগী মমাঙদনি।

মুহরম থৌরমশিংগী মতম মনূংদা অশেংবা থা অসিগী খোঙচৎশিংদা শরুক য়ারিবশিং অদুদা শঙ্গোম, হৈমহিশিং অমসুং অঈংবা ঈশিং পীথক্নবা সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শাবীল (দুকানমচাশিং) লিংখৎলি। মসিগীদমক শঙ্গোমগী য়াল্লবা দিমান্দ লৈ। দিমান্দ হেনগৎলকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা শঙ্গোমগী মমলশিং ঙমখৈ লৈতনা হেনগৎখি।

ঐখোয়না মমাঙগী চহীশিংদসু শঙ্গোম য়োল্লি অদুবু হন্দক্কী মুহরম অসিদা অসিগুম্বা অঙকপা চাংদা শঙ্গোমগী মমল তাংখৎলিবা অসিদি পূন্সিদা অমুক্তা উখিদ্রি হায়না মীওই অমনা হায়খি।

রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না শঙ্গোমগী মমল লাক্সিন্নবগী দায়ত্ব পুরিবা কারাচি কমিস্নার ইপ্টিখর শালৱানিনা শঙ্গোমগী য়োল্লিবা ৱাংলবা মমলশিং অদুদা করিমতা তৌদনা লৈবগুম উখি। অদুবু কমিস্নারগী ওফিস অদুনা লেপখিবা শঙ্গোমগী ওফিসিয়েল ওইবা মমল লিটর অমদা লূপা ৯৪নি।

# নোর্থ কোরিয়ানা অমুক্কসু সুপর–লার্জ রেকেট লোঞ্চর চাংয়েং তৌখ্রে ঃ রিপোর্ট

***সিওল, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
পিয়োংয়াংনা মিসাইলশিং কাপ্পুনা চত্থরকখিবা কায়হৌবা কয়ামরুমগী খ্বাইদগী নৌবা ওইনা লৈবাক অসিনা সুপর –লার্জ মলটিপল রোকেট লোঞ্চর অমগী অনৌবা চাংয়েঙ অমা পাংথোকখ্রে।



চাংয়েঙ অদু নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোঙ উননা সুপরভাইজ তৌখি হায়না লৈবাক অসিগী ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনসু ঙরাং ফোঙদোকখিবদা সাউথ পিয়োংগাং প্রোভিন্সকী কিচোন এরিয়াদগী মশক খঙদবা প্রোজেক্টাইলশিং নোর্থ কোরিয়ানা কাপখ্রে হায়খি। প্রোজেক্টাইশিং অদু চাওরাক্লা কিলোমিটর ৩৩০ রোম শান্না পাইখি।

মিসাইলশিং কপখিবা অসি নোর্থ কোরিয়ানা থা অসিগী অথেঙবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ন্যুক্লিার খূৎলাই থাদোকপগী মতাংদা ৱার্কিং লেভেলগী ৱারী শান্নবা অমগী অনীংবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মতূং থুনমক্লি।

ঙরাংগী চাংয়েঙ অদুগীদমক লিদর কিম জোং উননা ফিল গাইদেন্স পীখি হায়না কোরিয়ান সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়খি।

সুপর –লার্জ মলটিপল রোকেট লোঞ্চর অদু চয়োল অনীরোমগী মমাঙদা কিম জোংনা য়েঙশিনখিবা এক্সরসাইজ অমদা চাংয়েঙখিবনি।

চাংয়েঙ অদু কম্বেট দিপ্লোইমেন্টকী মতম ওন্নবা অমসুং মখা চত্থরকপা য়াবা অতোপ্পা টেষ্ট অমদা পান্দম থম্বা চাংয়েঙনি হায়না কে সি এন এ রিপোর্ট অমনা হায়খি।

হৌজিক তৌগদবা ৱাৎলিবা অসি মলটিপল রোকেট লোঞ্চরগী শক্তিগা মান্নবা খ্বাইদগী ময়েক শেঙবা মশক ওইগদবা রন্নিং ফয়ার টেষ্ট অসিনি হায়না এজেন্সি অদুনা মখা তাখি। মহাক্কী লৈবাক্কী চত্থরিবা টেক্টিকেল গাইদেট মিসাইলশিংগী খ্বাইদগী নৌবা কাপ্পি চাংয়েঙশিং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াদা মখোয়গী চয়োল অসিদা তৌগদৌরিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং অদুগী মতাংদা তৌবা ৱার্নিং অমনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উননা হায়রি।

# ৯/১১ টেরর এটেককী চহীগী থৌরম নুমিৎতা হোং কোং এক্টিভিষ্টশিংগী প্রোটেষ্ট খোঙজং লেপখ্রে

***হোং কোং, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টর ত্বিইন টাৱারদা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা চত্থরকখিবা টেরর এটেকশিং অদু নীংশিংবা ওইনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হোং কোংগী এক্টিভিষ্টশিংনা মখোগী প্রোটেষ্টশিং অদু লেপখ্রে অমসুং চিনানা লৈঙাকপা সিটি অসিদা মখোয়না অচৌবা টেরর থৌরাং তৌখি হায়বা চাইনিজ ষ্টেট ন্যুজপেপর অমগী পাউ অমা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বদসু হিংশাগী থৌদোকশিং য়াওনা থা কয়াগী প্রোটেষ্টশিং মায়োক্লরকখ্রবা হোং কোংদা চিনাদা এক্সট্রাদিসনশিং তৌবা য়াহনবা লেজিসলেসন অমা চৎনহনগনি হায়বগী মতাংদগী শাওখিবা অদুনা প্রোটেষ্ট অসি থোক্লকহনখিবনি। অদুবু এক্সট্রদিসন লো অদু চৎনহন্ননবা দিমান্দ তৌনবগী প্রোটেষ্টকী খোল্লাও অদু হৌজিক হেন্না পাকথোক চাওথোকপা দেমোক্রেসিগী খোঙজং অমা ওন্থোক্লকখ্রে অমসুং বৈজিংদা লৈরিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লৈঙাকপশিং অদুদা সিটি অসিবু মখোয়গী খূৎ থিংজিন্দনা মতোমতা থল্লন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

এন্টি–গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা সেপ্টেম্বর ১১দা হোং কোংদা গ্যাস পাইপশিং খোংবা য়াওনা পাকশনবা টেরর এটেকশিং পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না চাইনা দেল্লিগী হোং কোং এদিসন অদুদা ন্যু য়োর্ককী ত্বিইন টৱারশিংদা তৌখিবা এটেকশিং অদুগী পীকচরগা লোয়ননা মখোয়গী ফেসবুক পেজদা হায়রকখি।

হান্নগী বৃটিসকী লোয়লম ওইরম্বা হোং কোং সিটি অসি মেনলেন্দ চিনাদা চৎনদবা ফ্রীদমশিং গেরেন্টি পীরিবা 'ৱান কন্ট্রি, টু সিষ্টেমস' হায়বা কাঙলোন অমগী মখাদা ১৯৯৭দা চিনাদা অমুক হন্না পীরমখিবনি। হায়রিবা কাঙলোন অসিগী মখাদা মনিংতম্বা লিগেল সিষ্টম অমা চৎনহনবসু য়াওরি।

মেনলেন্দ চিনাদা খূৎশিন্নরমখিবা মতমদা পীরমখিবা নিংতম্বশিং অদুগী মায়োক্তা ওইবা এক্সট্রাদিসন বিল অদুনা হোং কোংগরশিংবু শাওহনখিবনি।

GAS TODAY

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 31/08/19
Valid : 28/08/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalashmi Indane**
Booking : 03/09/19
Valid : 25/08/19
Sl. No. : 275195
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 12/0 9/19
Valid : 27/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Porompat Indane**
Booking : 10/0 9/19
Valid : 16/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 5kg & 19kg Avail
Time : 08.00 to 12 noon

**Misao Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Stk :306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Ereicha Indane**
Booking : 12/0 8/19
Valid : 01/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 16/0 8/19
Valid : 10/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 12/0 9/19
Valid : 05/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

সনা–সুদোকু – ২৩৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 4 | 6 | 2 | 5 | 8 | 1 | 7 |
| 6 | 7 | 8 | 1 | 3 | 9 | 5 | 2 | 4 |
| 1 | 2 | 5 | 4 | 7 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 4 | 3 | 1 | 5 | 8 | 2 | 7 | 9 | 6 |
| 7 | 8 | 2 | 3 | 9 | 6 | 4 | 5 | 1 |
| 5 | 6 | 9 | 7 | 1 | 4 | 2 | 8 | 3 |
| 8 | 1 | 3 | 2 | 6 | 7 | 9 | 4 | 5 |
| 2 | 5 | 6 | 9 | 4 | 1 | 3 | 7 | 8 |
| 9 | 4 | 7 | 8 | 5 | 3 | 1 | 6 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-238**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | 9 | 3 | | | | | 1 |
| 2 | | | | 5 | 7 | 9 | | |
| 7 | 6 | | 9 | | | | 3 | |
| | 1 | 7 | | 9 | | 5 | | |
| | 5 | | 7 | 1 | 3 | | 6 | |
| 9 | | 3 | | | 5 | 1 | | |
| | 9 | | | 7 | | 6 | | 5 |
| 5 | | | 6 | | | | | 7 |
| | 7 | 6 | | | | | 9 | |